



# প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী থৌওংদা মৈ হৌনা শাওরবা দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিদা ব্রহ্মষ্ট্র মিসাইল পীখ্রে





ৱাসিংটন, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

চহী ৩ হেন্না শোক্লদুনা লাক্লিবা য়ুক্রেন অমদি রসিয়াগী লান তাঙ্কক কয়া থোক্লা লোইশিন্নবা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা থেঙ্খাং কয়াদা য়ারক্তবনা মরম ওইরগা খোইশাওনরবা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ব্লদিমির জেলেন্সকিদা মতিক ময়াই লৈরবা ব্রহ্মষ্ট্র পেট্রিয়েট মিসাইল পীখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না চহী ৩ হেঞ্জিলক্লবা লান অসি রসিয়ানা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদবগী ফিভম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমদি জেলেন্সকি অনিগী মরক্তা ফোনগী খূৎথাংদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা জেলেন্সকিনা ট্রম্পদা ব্রহ্মষ্ট্র মিসাইল পীবিনবা হায়জখিবনি।

ৱারী শান্নখিবা অদুদা ট্রম্পনা চহী ৩ হেঞ্জিলক্লবা লান হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবা অসিগী মতূংদা পেন্দবা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

ট্রম্পনা পুটিনদা অকি অখণ্ড পীবগা লোয়ননা রসিয়ানা লান লোইশিনবা পামদ্রিবা অসি মখোয়গী মাঙজবা ওইগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

আমেরিকানা য়ুক্রেনদা পীগদৌরিবা ব্রহ্মষ্ট্রগী খূৎলাইনি হায়না লৌনরিবা পেট্রিএট মিসাইল অসি কিলোমিটর ৫,০০০ লোম শান্না কাপ্পা ঙম্বা খূৎলাই অমনি। লোয়ননা পুংদা কিলোমিটর ৫,৮০০ য়াঙনা কাপ্পুনা য়েক্লবগী টার্গেট থুগাইবা ঙম্বা মিসাইলনি হায়রি।

## রাফেল মিংচৎ থিনবা চাইনানা হোৎনখি

পেরিস, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান অনিগী মরক্তা হৌখিবা মে ৭তগীনা ১০ ফাওবগী মরক্তা শোক্লখিবা লানদা ইন্দিয়াগী এয়ার ফোর্সনা শিজিন্নখিবা রাফেল ফাইটর জেট পাকিস্থাননা থুগাইখি হায়না চাইনানা রাফেলগী মিংচৎ থিনবা হোৎনখি হায়না ফ্রান্সকী মিলিটরিগী অরোনবা এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী থৌওং অসি মখোয়গী ফাইটর জেটশিং মালেমগী লৈবাকশিংদা য়ান্না লায়না য়োনবা ঙন্নবা হোৎনরকপনি হায়রি।

## সাউদি অরাবিয়ানা পিনাকা রোকেট লৈরবা য়াই: রিপোর্ট



রিয়াদ, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুরদা শিজিন্নখিবা মিসাইল পিনাকা রোকেট সিষ্টেম সাউদি অরাবিয়া, ভেটনাম অমদি ইন্দোনেসিয়া লৈবাকশিংনা কাহেন্না পান্নরকপগা লোয়ননা পিনাকা মিসাইল সাউদি অরাবিয়ানা লৈনবা হোৎনরকখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না গাইদেদ পিনাকা রোকেট সিষ্টেম অসি ইন্দিয়াগী কম্পেনিনা শাবা রোকেট মখল অমনি। পনবা য়াবদি হন্দক পাকিস্থানদা লান্দাখিবা অদুদা ইন্দিয়ানা গাইদেদ পিনাকা রোকেট সিষ্টেম শিজিন্নদুনা পাকশন্না অমাঙ অতা থোকহনখিবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

## রসিয়ানা কাপশিল্লকপা দ্রোন ৩২২ য়ুক্রেনগী লান্মীশিংনা কাপথখ্রে

কিব, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :


হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা রসিয়ানা কাপশিল্লকখিবা মিসাইল ৩২২ রোম য়ুক্রেনগী লান্মীনা কাপথদুনা থুগাইখ্রে। লোয়ননা য়ুক্রেননা চথরকখিবা এটেক অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীরদুনা রসিয়ানসু য়ুক্রেনদা মিসাইল অমদি দ্রোন কাপশিন্দুনা লান্দাখ্রে হায়রি।

মোস্কোগী মিলিটরিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী লান্মীশিংনা রসিয়াদা মখল মখা কয়াগী মিসাইল য়াওনা দ্রোনগী এটেক চথরক্লিবা অয়াম্বা রসিয়াগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনা কাপথদুনা মাঙহনখ্রে। লোয়ননা য়ুক্রেননা ওকুপাইদ তৌরম্বা লমশিং রসিয়ানা অমুক লৌশিনবা ঙমখ্রে হায়রি।

## রসিয়াগী চহী নৌরিবী নুপীশিংনা অঙাং অমা পোকপদা লুপা লাক্ষ ১ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

মোস্কো, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

চহী ৩ হেন্না য়ুক্রেনগা লান শোক্লদুনা লাকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীওই লাক্ষ কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীগী মশীং খমথেংনা হন্থরকপগী অৱাবা মায়োক্লরিবা রসিয়াদা চহী নৌরিবী নুপীশিংনা অঙাং অমা পোকপদা লুপা লাক্ষ অমমম পীরগনি হায়না ব্লাদিমির পুটিনগী লৈঙাক্লা লাউথোরকখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।



নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা পুটিনগী গভর্ণন্টেনা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবী নুপীশিংনা অঙাং পোক্লকপদা শেলগী মতেং য়াওনা গভর্ণমেন্টকী খুদোঙচাবা কয়া ফংহনগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিল অসিগী মনুং চন্না চহী ১৮গী মখাদা লৈবী নুপীশিংনসু অঙাং অমা পোকপদা লুপা লাক্ষ ১ পীরগনি হায়না লাউথোরকখিবনি।

২০২৩গী রিপর্টে অমগী মতুং ইন্না রসিয়াদা হান্না লৈরম্বা অঙাং পোকপগী রেসিওদগী খমথেংনা হন্থরকখিবনি। চাওরাক্লা রসিয়াগী ওইনা অঙাং পোকপগী চাং ২.০৫ ওইগদবা অদু ২০২৩দা শুপ্নগী রেসিও অসি ১.৪১দা হন্থরকখিবনি হায়রি। মরম অদুনা রসিয়াগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা মীগী মশীং হন্থরক্লিবা অমদি লাননা মরম ওইরগা মীওই লাক্ষ কয়া শিখিবদগী মায়োক্লরিবা অৱাবা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি রসিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক ৯ শুবদা লৈরিবনি। অদুবু অসুক চাওখ্রবা লৈবাক অসিদা মীগী মশীং কাহেন্না হন্থরকপদগী লৈঙাক্লা তুংগী য়েংলগা মীগী মশীং হেনগৎনবা থৌরাং অসি পায়খৎলকখিবনি।



কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা লনাই মীওইশিংগা রসিয়াদা লৈরিবা নুপীশিংদা লুহোংদনবা অমদি অঙাং পোক্তনবা ইনশিনবগী থবক তৌরম্লবদি অহকপা চৈরোক ফংগনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈখ্রবনি। হেন্না ঙক্লিবদি রসিয়াগী গভর্ণমেন্টনা অঙাং পোকপদা শেলগী মতেং পাংবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা খুদোঙচাবা পীগনি হায়না লাউথোক্লবসু হৌজিক ফাওবা লৈবাক অসিদা থোইনা মীশিং হেনগৎলকপা উদ্রি। অমদি লৈঙাক্কী থৌরাং অসিসু মায় পাকপা ওইদ্রি হায়রি।

অমরোমদা রসিয়া হায়রিবা লৈবাক অসিদা চহী ১৮গী মখাদা লৈরিবা নুপীমচাশিংনা অঙাং পোকপদা শেলগী মতেং পাঙ্গনি হায়না লাউথোক্তুনা মীগী মশীং হেন্নবা হোৎনরি অদুবু স্পেন হায়রিবা লৈবাক অসিদসু মীগী মশীং হন্থরক্লিবা অসিদগী কোক্লবগীদমক অতোপ্পা লৈবাক্তগী মী কৌশিনদুনা লৈহনবা অমদি থবক পীনবগী থৌরাং ফাওবা কায়খৎপা হৌখ্রে।

রসিয়াদা করিগুম্বা নুপী অমনা অঙাং ১০ নৎত্রগা ১০দগী হেন্না অঙাং পোকপা মমা ওইবশিংদা অৱাংবা থাক্কী মাদরহুদ মেদল এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুন্নবা উৎপগী থবকসু পায়খৎপা হৌখ্রবনি। অদুবু লাইবক থিবদি রসিয়া গভর্ণমেন্টনা মীশিং হেনগৎনবা পায়খৎপা থৌরাং মায় পাকপা ঙমদ্রি হায়রি।

## লান মতুংদা ইরানগী সুপ্রিম লীদর অয়াতুল্লাহ বঙ্কর মনুংদগী থোক্লকখ্রে

টেহরান, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

ইজরেলনা অকনবা মওংদা লান দারকপদগী লোৎতুনা লৈখিবা ইরানগী সুপ্রিম লীদর আয়াতুল্লাহ খেমনাই লান লোয়খিবনা মরম ওইরগা বঙ্কর মনুং দগী থোক্লকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি ইজরেলনা সুপ্রিম লীদর আয়াতুল্লাহ খেমনাইবু হাৎনবা হোৎনখিবনি। লোয়ননা ইরানগী হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা ইস্লামিক গভর্ণমেন্ট অসিসু থুগাইনবা হোৎনখিবনি। লৈবাক অসিদা নিং থৌ ওইনা পাল্লম্বা হৌজিক্লা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লৈখ্রবা মীওইশিংনা ইরানদা ইস্লামিক্কী লৈঙাক হেক লৈরিমখৈ ঈং তপ্পা হঞ্জিলকপা ঙস্লোই হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রবনি।

অয়াতুল্লাহনা বঙ্কর মনুংদগী থোক্লকখিবা উবদগী ইরানদা মহাকপু শৌগৎপা মীওইশিংনা খমথেংনা হরাও নুংঙাইবসু ফোঙদোক্লখ্রে হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## টেক্সাসকী ঈচাওদা শিখিবা মীগী মশীং ৫১ শুখ্রে



ৱাসিংটন , জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

আমেরিকাগী টেক্সাসতা ইখঙ খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ইচাওদা শিখিবা মীগী মশীং ৫১ হেনখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। টেক্সাসতা লৈবা গ্বাদালুপ তুরেল মপান্দা সমরকেম্প পাকশন্না পাঙথোক্লরিঙৈ চৈরক্তা ইখঙ খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লকখিবা মরন্না মী শিবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। মীওই ৫১ শিখিবা অসিগী মনুংদা পিক্লিবা অঙাং ১৩ রোমসু য়াওরি হায়রি। হেন্না লায়বক থিরিবদি তুরেল মপান্দা সমরকেম্প পাঙথোক্লম্বা ইমুং মনুংগী মীওই কয়া হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি। পনবা য়াবদি ইখঙ খঙহৌদনা তুরেল ঈমাই মিটর ৮লোম ৱাংখৎলক্তুনা অকনবা ঈরৈগা লোয়ননা ঈশিং চেন্থরকখিবনি হায়রি।

## য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাদা ৭০ কায়খ্রে

কিব, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

চহী ৩ হেননা হৌখিবা চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারি থাদগী শোক্লদুনা লাকখিবা রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী লানদা রসিয়াগী লান্মীশিংনা লেপ্পা লৈতনা অকনবা মওংদা লান্দবদগী য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাদা ৭০ রোম অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লান অসিদা রসিয়াগী ওইনসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মাঙ তাকখিবগা লোয়ননা লান্মী কয়া শিবত নৎতনা রসিয়াগী শেনমিৎলোনদা বিল্লিয়ন দোল্লর ৩০০ লোম হেন্না অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়রি।

## মুজাফরগড়গী এক্সিদেন্টদা ৬ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) : পাকিস্থানগী মুজাফরগড় হায়না খঙনবা মফম অমদা থোকখিবা লম্বীগী লায়বকথিবা এক্সিদেন্ট অমদা বস অমদি ট্রেলর অনি থেঙ্গাইনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা ১৮ লোমনা চাওনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

তমথিরবা লম্বীগী লায়বক থিরবা থৌদোক অদুদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী অঙাংসু য়াওরি। এক্সিদেন্ট অদুদা অশোক অপন নংখ্রেবা মীওইশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। পনবা য়াবদি পাকিস্থান হায়রিবা লৈবাক অসি খ্বাইদগী এক্সিদেন্ট থোকনবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## বাংলাদেশনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা থবক তৌবা লেপ্পা লৈতনা চথরি

ধাকা, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

বাংলাদেশতা মোহম্মদ য়ুনুসখানগী ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট হেক লাকখিবদগী ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা থবক চথদুনা লাক্লি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না বাংলাদেশনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী থবক চথরক্লিবা অসিদা য়ুমথংনবা লৈবাক ওইরিবা পাকিস্থাননা চাওনা মতেং পাঙশিল্লি। লোয়ননা পাকিস্থাননা বাংলাদেশতা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা শিজিন্নবা য়ান্নবগীদমক মিলিটরিগী ওইবা মতেং ফাওবা পাংবা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি বাংলাদেশতা শেখ হসিনাগী লৈঙাক লৈরিঙৈদদি ইন্দিয়াগা অফবা মরী লৈরম্বনি হায়রি।

## রসিয়ানা ন্যুক্লিয়ার সবমরিন অমদি কেলিবর মিসাইল পীরক্কদৌরি

মোস্কো, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মখোয়গী মতিকময়াই লৈরবা ন্যুক্লিয়ার সবমরিন অমদি কেলিবর মিসাইলনচিংবা পীরক্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া অমদি রসিয়া লৈবাক অনিগী মরক্তা লানগী খূৎলাইগী তৌনখিবা দিল অমগী মতুং ইন্না রসিয়ানা করিগুম্বা ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়ার সবমরিন অমদি কেলিবর মিসাইল পীরক্লবদি লৈবাক অসিগী নেভিগী মপাঙ্গল অমুক্কা হেন্না কনকৎপা ঙম্লগনি। তৌবতবু হায়রিবা লানগী খূৎলাইশিং অসি লাক্কদৌরিবা চহী ২০২৮ দা থুংলবা য়াই হায়রি।


## সাউথ কোরিয়ানা পি–৮ প্লেন লৈখ্রে

সিওল, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগী মরুপ ওইরিবা লৈবাক সাউথ কোরিয়ানা চাইনাবু মায়থিবা পীবা ঙন্নবগী পান্দমদা তমথিরবা মখলগী সবমরিন কিলর হায়রগসু খঙনবা পি–৮ কোসাইদন হায়না খঙনবা প্লেন অমা লৈখ্রে হায়রি।

সাউথ কোরিয়ানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা লানগী মতিক ময়াই লৈরবা খূৎলায় কয়া লৈশিলক্লিবা অসি চাইনা অমদি নোর্থ কোরিয়ানা লেপ্পা লৈতনা মখল মখা কয়াগী লানগী খূৎলায় শাদুনা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা পীরক্লিবা অকি অখঙগী থবক থৌরমশিং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবা হোৎনরকপনি হায়রি।

## Crossword # 757



Across
1. Skills
5. Vows
10. Consumes
14. Entice
15. Prepare to propose
16. Dissolve
17. Press
18. Entrap
19. Skilled
20. Light wood
22. Soak through
24. Cleopatra's snake
25. Illicit
28. Minor disagreements
30. Adversary
32. Flower feature
35. Rose Bowl city
39. Pedro's friend
40. Choir singer
41. Earth
44. Beatle ____ McCartney
45. Achievers
47. Slanted
49. Iowa or Ohio
50. View
51. Manly
53. Cure-all
58. Comedian ____ Hope
60. Horn blast
62. Welcome
63. Burn reliever
65. Mud brick
68. Aristocrat
69. Plumber's concern
70. Stage parts
71. China's continent
72. Love foolishly
73. Evade
74. Looks at
Puzzle Grid

Down
1. Defendant's offering
2. Rustic
3. Online troublemaker
4. Taste or smell
5. Approvals
6. Raggedy ____
7. Afternoon affairs
8. Religious dissent
9. Snooze
10. ____ Thurman of "Pulp Fiction"
11. Johann ____ Bach
12. Building extensions
13. Stair part
21. Old
23. Mama's man
26. Afresh
27. Comedian Jay ____
29. Musical speed
31. ____ Gras
33. Spanish water
34. Lounge about
35. Mats
36. Thanks ____! (2 wds.)
37. Bygone river vehicle
38. Main artery
42. Speak imperfectly
43. Statistics
46. Religious subgroup
48. Mob
50. Haitian religion
52. Stash
54. Zones
55. Stop
56. Supernatural
57. Road guide
58. Lacking hair
59. Bogus butter
61. Narrated
64. Supplement
66. Entreat
67. Compass reading (abbr.)

পাউখুম লমায় ৯দা

## চাইনাগী কে জে–৫০০ সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ পাকিস্তাননা লৈরগনি: রিপোর্ট



ইস্লামাবাদ , জুলাই ০৬ (এজেন্সি) : পাকিস্থানদা লৈজরম্বা সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ অহুমখক অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুর চথদুনা অনি থুগাইবিখিবদগী চাইনাগী কে জে–৫০০ হায়রিবা সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ লৈনবা পাকিস্থাননা থৌরাংখ্রে হায়রি।

পাকিস্থাননা চাইনাদগী কে জে–৫০০ হায়রিবা সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ লৈরগনি হায়বা পাউ তাবদগী ইন্দিয়াগী ওইনা চাওনা মীপায়নিঙাই ওইরকখ্রে। মরমদি চাইনাগী কে জে–৫০০ হায়রিবা সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ অসি রাদার য়াওবা য়েক্লবশিংনা কাপশিল্লকপা মিসাইল অমদি ফাইটর জেটশিং কিলোমিটর ৪৭০ ৱাংলিঙৈগী মাঙওইননা লান্মীশিংদা পাউ পীবা ঙম্বা খূৎলাই মখল অমনি। কে জে–৫০০ হায়রিবা সর্ভিলেন্স এয়ারক্রাফ হায়রিবা চাইনাগী অখন্নবা প্লেন অসি কিলোমিটর ৫,৭০০ লোম লেপ্পা লৈতনা পাইবা ঙম্মি। লোয়ননা প্লেন অসিগী মমল মিল্লিয়ন দোল্লর ৩০০ লোমগীনি হায়রি।

হন্দক ইন্দিয়াগা শোক্লখিবা লান অদুদগী অচৌবা পরা কয়া তমহৌরদুনা পাকিস্থানগী লৈঙাক্লা মিসাইল, ফাইটর জেট অমদি অতৈ অতোপ্পা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনচিংবা অনৌবা খূৎলায় কয়া লৈশিন্নবা হোৎনরকখিবনি। পাকিস্থাননা অনৌবা লানগী খূৎলায় কয়া লৈশিলকপা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনদি চাওনা খুদোঙথিনিংঙাইনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## ইলোন মস্কনা এম এ জি এগী ৱাখল্লোনদা আমেরিকা পার্টি লিংখৎখ্রে



ৱাসিংটন, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগা চাওনা মুক্লরকপা খক্তা নৎতনা বিল্লিনিয়র ইলোন মস্কনা মেক আমেরিকা, গ্রেট এগেন (এম এ জি এ) হায়বা ৱাখল্লোনদা আমেরিকা পার্টি হায়না মিংথোনবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎখ্রে।

ইলোন মাস্কনা নৌনা লিংখৎলক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী শেঙাও পায়বা মীওই কয়া চংলকপা হৌখ্রে। নিংশিংবা য়াবদি ইলোন মাস্কনা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎলক্লিবা অসি আমেরিকাদা লোন্না থুপ্না মীয়ামগী মায়োক্তা চথরিবা থবক থৌরমশিং মুত্থৎপা ঙন্নবগী পান্দমদা লিংখৎলকখিবনি হায়না ইলোন মাস্কনা ফোঙদোরক্লি। ট্রম্পকা য়ান্নরকখিদবা অসি বিগ ব্যুটিফুল বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবদগীনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## টাইৱানদা টাইফুন লাক্কনি হায়না হায় এলার্ট লাউথোকখ্রে

টাইৱান, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :


টাইৱানদা অকনবা মখলগী লেন্দ টাইফুন হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈন নুংশিৎ লাক্কনি হায়না ৱেদর দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকপদগী লৈবাক পুম্বা হায় এলার্ট লাউথোক্তুনা চেকশিন থৌরাং হৌহনখ্রে।

পনবা য়াবদি পুংদা কিলোমিটর ১০০ হেন্না য়াঙবা লেন্দ টাইফুন হায়রিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি লৈবাক অসিদা লাকখিবদগী চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা লৈখ্রবনি।

লেন্দ টাইফুনদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবা টাইৱান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা মাঙজেননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোংমা–নিনি অসিগী মনুংদা সমুদ্রগী মফমশিংদা চৎতনবসু খঙহনখ্রে। টাইৱানদা লাক্কদৌরিবা টাইফুন অসি অনিশুবা ষ্টেজদা লৈবা নোংলৈ নুংশিৎনি হায়রি।

## চহী ২ ফাজিলক্লবা গাজাগী লান লোইশিন্নবা বেঞ্জামিন নেটান্যাহু অমদি দোনাল্ড ট্রম্পগা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে, ইরানদগী অফগান মচাশিং চৎখিনবা লাউথোরকখ্রে







তেল অবিব, জুলাই ০৬ (এজেন্সি) :

চহী ২ ফাজিলক্লবা গাজাগী লান লোইশিনবা ঙন্নবগীদমক দোনাল্ড ট্রম্প অমদি বেঞ্জামিন নেটান্যাহু অনিগী মরক্তা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি চহী ২ ফাজিলক্লবা গাজাগী লান অসিদা ইজরেলগী লান্মীশিংনা হৌজিক ফাওবদা পেলেষ্টিনিয়ান ৫৭,৪১৮ হেন্না হাৎখ্রে অদুগা মীওই ১,৩৬,২৬১ রোমনা হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদসু ইজরেলনা গাজা সিটিদা বোম থাদদুনা পেলেষ্টিনিয়ান ৭৮ রোমসু হাৎতোকপীখ্রে হায়রি।

নাকন অমরোমদা গাজাগী লান লোইশিন্নবা হোৎনরবসু ইজরেলগী লান্মীশিংনা গাজাদা এয়ারষ্ট্রাইক চথদুনা লান্দবগী থবক লেপ্পা লৈত্রি। অদুবু লান অসি লোইশিন্নবা অকনবা প্রেসর মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপনা মরম ওইরগা ইজরেলগী দিলিগেসন টিম অমা কটরদা চৎতুনা লান লোইশিন্নবা ৱারী শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

কটরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা ইজরেলগী ওফিসিয়েলশিং অমদি হামাসকী মকোকথোংবা লুচিংবশিংগা সিজফয়ারগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। নিংশিংবা য়াবদি গাজাদা শোক্লরিবা লান অসি লোইশিন্নবগীদমক তাঙ্কক কয়া থোক্লা ৱারী শান্নখ্রবনি। লোয়ননা হামাসনা ফাখিবা ইজরেল মচাশিং তাঙ্কক কয়া থোক্লা থাদোরকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু সিজফয়ারগী ৩শুবা তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নবা হৌরকপদা নাকল অনিগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী সিজফয়ারগী ৱারী মায় পাকপা ঙমখিদবনি।

হৌজিকসু হামাসকী মখুৎতা ইজরেল মচা ৫০ রোম ফাদুনা লৈরি। ইজরেল মচা ৫০ রোম অসিগী মনুংদা মীওই খরদি হাৎতোকপীখ্রে হায়বগী পাউ লাক্তবসু নৎতে। ইজরেল মচা ৫০ অসিগী মনুংদা চপ চানা মীওই কয়া হিংলি হায়বা ঙমদ্রি।

চৈরক অসিদা ইজরেল অমদি ইরানগী লান লোইশিনখ্রবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা অফগানিষ্টান মচা কয়া ইরান থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি হায়না লাউথোরপদগী করম্বা অনৌবা লান অমগা অমুক থোক্লকদগে হায়বগী মীপায়বা পোক্লবা হৌখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জুন থাদা খক্তা ইজরেলনা চথরকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা অফগান মচা লাক্ষ ২ হেন্না চৎখিবা লৈখ্রবনি। হৌজিকসু ইরান থাদোক্তুনা চৎত্রিবা অফগানিষ্টান মচাশিং অথুবদা ইরান থাদোক্তুনা চৎকদবনি হায়না লাউথোরকখিবনি। করিগুম্বা অথুবা মতমদা ইরানদা লৈরিবা অফগানিষ্টান মচাশিং চৎখিদ্রবদি ফাবা–পুনবগী থবক চথরক্লগনি হায়নসু লাউথোরকখিবনি হায়রি।